বফর জোন ক্রিয়েসনগী মরুমদা

‘বফর জোন’ হায়বা ৱাহৈ ৱাপা (জুরা) অসি মীচম-মীয়াম্না তানরবা/খঙনরবা ৱাহৈ অমা ওইরমদে। মহৈরোয়শিংদা মহৈ তম্বীবা ওজা/টিচর/প্রোফেসরশিংগী মফমদবুদি ৱাহৈ অসি অনৌবা ওইনা থোক্লমদবা য়াই। চহী অমগী মমাঙদা চীংদা তাবা কুকিশিংনা তমদা তাবা মীতৈশিংগী মথক্তা লান তারকখিবা, ঙসি ফাওবা লোইদ্রিবা ... লান অসি খাম্নবা থাজিল্লকপনি খল্লুবা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স ময়াম অসি লাকপদগী তানরকপা ৱাহৈনি। ঙসিদি লমদমসিগী নুপী-অঙাং, নহা-অহল খাক্তনা খঙদবা য়াদ্রবা ৱাহৈ অমা ওইরক্লে। লানসিনা ফাওহল্লকপা পূক্নিং-ইহুল’ না ইনশিন্দুনা লানগা মরী লৈনবা ৱারেং ইরক্লিবসি কয়া শুখ্রবা-ইশিন্দুনা থমহৌদ্রে। লেপ্তুনা পাবীরকপশিংনদি মখা তানা পানীংববু পোক্লস্লরোই, অতোপ্পা হীরমদা ইরসিরা খল্লুরবনি কয়ারক। অদুবু, হায়নীংবা তম্লিংবা ৱানদি থম্মোয় থন্না লৈবনা ইনীংলকই হেক্তমক, লানসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা নৎত্রগা অমা।

হৌজিক শোক্লরিবা মীতৈ-কুকি লান! মুন্না খনজিল্লুরবদি লান কৌবা য়াদবা, মীওই কাঙলূপ অনীখক নাকপাক নাকপাক লেপ্পরগা, লুম্ফু তৌদুনা হাত্তোক্লবই ঈরাং অসি ঙসিদি ময়েক শেংলক্লে - অসি য়ৌনা তমথীবা শক্লোন অমা লৌরক্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অচৌবা মরম অমা ওইদুননি। হৌখিবা চহী অমসিদা, ষ্টেটসিগী অমসুং নেসনসিগী শক্লাইরবা অখঙ-অহৈ, তোঙান তোঙানবা হীরমদা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙলবা স্কোলর কয়ানা নৈনখ্রে। ওইদবা ঙাঙবদা মালেমদা মপা লৈত’ হৈ-শিংলবা কুকিশিংনা শেমজিন-শাজিনবা পুৱারী অমা ইরকখিবা... হান্নদগী ময়েক শেংনা ইদুনা লৈরবা পুৱারীগী থৌদোক অমবুসু মশক মমিং ওন্থোকঙন্বা... লান’না মখোয়না হৌরগা, মীতৈশিংদা ওনখত্তুনা ‘মীশিং য়ামদবা কুকিশিংবু ওৎপীরে, তম্পাক লমদই তান্থোরক্লে’-খূৎনেক্কী মীদিয়াদা পাউথোকপা... মখোয়না ওৎখি-নৈখিবা, মীতৈশিংগী য়ূম-ইঙ্খোল তেমখায়খিবা, বার্বরিক ওইবা থবকশিংদুদি নমশিন্দুনা থল্লগা মীতৈশিংনা হন্দুনা (রিতাল্লিয়েৎ তৌদুনা) তৌরকপা এক্সনশিংদুগী ফোটোগ্রাফিক ইভিদেন্সশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ‘দ ইনএভিটেবল স্প্লিট’ (the inevitable split) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী (ভোল্যুম ৱান অমসুং টু) ফোঙলকখিবা... অসিনচিংবা থৌদোকশিংগী সিক্বেন্স অসিনা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংসি কয়ামুক ফজনা নীংথিজনা প্লান তৌরগা চথরকপা থবক্লো হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লবনি।

মতাং অসি য়ৌরবদি ঐখোয় মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংসু ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা পূক্নিং-ৱাখলগী ঈনোৎ (ইমোসন) দা তোংদুনা ৱা ঙাঙবা, থবক তৌবগী মওং অসি হোংবা তাই। ষ্ট্রেটেজিক ওইবা (শোয়দনা মহয় য়ানগদবা) থৌরাং-থৌশিল-প্লান্নিং অমা য়াৎপা তাই। ঐখোয়গী খ্বাইদই অশোনবা এরিয়াসি মসিনি। ৱাখল অসি খল্লুরগা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। মালেমসিগী লৈবাক পুম্নমকপু খুদুম চন্দুনা ‘মালেমগী মপূ’ ওইবগী মঙ মঙখিবা ‘নেপোলিয়ন বোনাপার্ট’ না হায়রম্বা ৱাহায়নি... ‘ঐনা লৈবাক অমদা লান্দাদুনা খুদুম চনগে খল্লকপা, লানগী লাল্লোং (ৱার ষ্ট্রেটেজি) য়াৎপা লোইবা নুমিত্তা ঐগী লান, চাদা মরিফু শোক্লবা লোইরে’...। অতোপ্পা ৱাহায় অমনা, ক্রাইম দিটেক্টিব, মর্দর-মিস্তরি-ফিল্ম নম্বদা মমিং লৈরবা ফিল্ম-মেকর ‘অলফ্রেন্দ হিৎচকোক’না হায়রম্বনি... ‘ঐগী ফিল্মগী শূটিং-স্কৃপ্ট ইবা লোইবা মীকূপ্তা, চাদা মরিফুতরা ফিল্ম নম্বা লোইরবনি’...।

কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দারক্ত্রিঙৈ খনখিবা মুনফাত্তবা ৱাখলদুগী পোখোক ওইরমগনি-ইন্টরনেসনল মীদিয়াগী রিপোর্টরশিং মাঙজৌননা কৌদুনা থল্লগা মে ৩, ২০২৩- মতম অমত্তদা লার্জ-স্কেল’দা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেগী মীতৈশিংদা এটেক তৌরকখিবা... তম্পাক লমগী মীতৈ খুলশিং ফাওদনা, কুকি তাবা চীংগী খুলশিং ফাওননবা চীং-লম্বী শেন্নমখিবা, ... মতম শাংনা মশীং য়াম্লবা লালহৌলূপশিংগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন খূৎয়েক পীনরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হায়বা ইনবা মনাই শাবই দ্রামা তৌরম্বা অসিনচিংবা শীংথাবগী লোইবা নাইদ্রবা পোলিটিকল দ্রামা।

মীগী শাইজিন-শয়াদা শাইদাংলগা য়ূমদু মাগী ওইগে থৌরাংলকপা, শাইজিন্দা মৈ চুরকপা-খঙলবনা হৌজিক্তি য়ূম্থুদুনা তৌগদবা থৌদাং মশক খঙবা তাই। মদু খঙদে খঙবননি, য়ূমদাংবনা কৈ-নাইবই থবক হেন্না খূমাঙ চাওশিল্লক্লিবা। চহী লিশীং অনী হেল্লবা, অইবা পুৱারী লৈজবা ফুরুপসিগী পুৱারীদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক্কি হন্দক কুকিশিংনা ‘মীতৈশিংগী এগজিষ্টেন্স’তা শীংনরকপদগী থোক্লিবা। ‘হাও দু ৱী ফাইট বেক’ - ঐখোয়না করম্না মায়োক্লবগে হায়বদুনি মরু ওইরিবা। স্কৱার মাইল লিশীং তরেৎকী কংফাল লমদা লৈবা মীতৈশিং, মায়কৈ মরিমক্তা কুকিশিংনা কোয়শিল্লে, মদুদগী হেন্দোক্তুনা কংফাল-লমদা চৎপা ঙমদরে, পৃথ্রিদা য়োকপা লেন্লে-ঙাগা পাংখক ওইরে, হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইবা খৌরি-চরম মখোয়না মেৎনীংবা মতমদা মেৎখায়দুনা হাৎপা ঙম্মী, মূক্নদুনা নম্নবদা মথক থংনা লৈরিবদু মখোয়নি... ৱাখলসিনা মাঙওইনরগনি ঙকচাও থেক-মঙক হাইগৎলিবা মখোয়না। মখোয়না থাজনা নোংমাইজিং খুদিং পারিবা লাইরিক্তুদা য়াওরিবা প্রভু যিশুগী মৱাহৈ ... ‘মেন দজ নোট লিভ বাই ব্রেদ এলোন’ (মী হায়বসি চাক চারগখক্তা হিংবা য়াদে) হায়বদু মখোয়দা তাকপীনবা গুরু লৈতবজাৎনি। ব্রেদ/তল/চাক হায়বসি হকচাংসিবু হিংহন্দুনা থম্নবগীদমক তঙাইফদবা মচাক/মচল অমনি। অদুবু পূন্সি অমা হিংহন্দুনা থম্নবা, হিংমিন্নবা হায়বসিগীদমক্তি মাইন্দ/পূক্নিং হায়বসিনা হেন্না মরুনি। সেক্সপিয়র’না হায়রম্মীদনা...‘সংসারসিদা অফবা নৎত্রগা ফত্তবা হায়বা অমা লৈতে তোখায়না ওইহনবনি ৱাখলনা’ (হেমলেট)। লৈরু-লৈরুবা মফম খুদিংমক্তা, মফমদুগী য়েলহৌমী অমসুং মহৌশাগী খূৎশেমদুগা চান্না-চিন্না-লৈমিন্নবা হৈতবা, অতোপ্পা ফূরুপ অমত্তগী মীওইগা মরুপ ওইবা হৈত্রবা, ঐ হিংগে নঙ শিয়ু হায়বা ৱাখলসিতনা লাঙ্গৈাই চনবা ‘কুকি’ কৌবা মীওই ফূরুপ অসিগী মেন্টেল মেক-অপ/মাইন্দ সেট, গ্লোবেল সাইকোলোজিষ্টশিংগী অচৌবা/অনৌবা ষ্টদি-মেটরিঅল অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি।

মসিনা গ্লোবেল সবজেক্ট অমা ওইখ্রসনু। সবজেক্টসিগী ষ্টদি মেটরিঅল, মণিপুরদা মরাং কায়না ফংগনি। অদুবু মীতৈ ফূরুপ/খুন্নাইসিগী অচৌবা অশোয়বা/অরানবা মচৎ অমনা ঐবু তত্তনা ৱাহল্লি। অখঙ-অহৈ, থোইদোকপা গুণ’না লৈতেংবা স্কোলর, ইন্টেলেকচুঅল কয়ানা মরাং কায়রসু, লাইবক থীবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমদগী ‘ৱাইখু-কলচর’ শাগোন্নবা খুন্নাই অমা ওইরকখিঙৈদগী অমনা অমবু মীথানদবা, লুচিংবনা থল্লবা লুচিংবা য়াওদ্রবা মপূ পান্দ্রবা লমদম অমা ওইরক্লিবসি কুইরক্লে। তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফায়, অপূনবনা পাঙ্গলনি... হায়বনচিংবা পাউরৌ পাউতাকশিংগী চন্নফম লৈত্রবা লমদমদুনি ‘মণিপুর’।

চহী অমা হেনখ্রবা অসি য়ৌনা তাইশিনবা য়াদ’ শোক্লবা থম্মোয় মরকসিদসু ‘ঐখোয় অমত্তা ওইদৌনি’ হায়বা ৱাখলসি, মশীং য়াম্লবা লূপশিংগী লুচিংবা অমত্তগী মথম্মোয়দা ফাওখিদে। মীয়ামগী খোল্লাও কনামত্তই মনাকোংদা চঙখিদে। পোলিটিকল লীদরসু, সিভিল সোসাইটি লীদরসু, মৈরা পায়বী লুচিংবীসু, মহৈরোয় খুন্নাই লুচিংবসু - খুনুনা মথোঙদা কল্লি হায়গুম, মাগী মাগী মকোন্দা মশোঙ ফন্না লৈনখি। ইন্দিয়া লৈঙাক’ লুচিংবসু, লম হেনবা কুকিসু - ‘মচোই তারম্বা মীতৈশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নখ্রে’ হায়বা পাউনিলখোলদুমত্তং তাহল্লম্লবা, থাজবীদবরা... লানসিগী মায়ওন অমরোমদা ওল্লমনি। দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লি’দি হায়রগা, ফেল ওইরবা তুং থংবা ইঞ্জিনগী কেপ্তেন অমদি ক্রিউ মেম্বরশিংনা ফ্রন্ট ইঞ্জিনগী কেপ্তেনদু মীকুপ অমত্তা উনদুনা পাউদমজগে হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবনি। ‘ঐহাক লৈরি ৱাগনু’ - মায়ওক্লনা হায়দ্র’সু, মালঙ’দা হায়বদা লৈচিলনা দুত ওইনা পাউজেল্লক্কদৌ’ লৈরবদু হায়খিদে। কালিদাসকী ‘মেঘদুত’ - সাইন্স’না অচুম্বা ওইহল্লবনি। অসি য়ৌনা শীংনবা পূন্সি তানফম অসিদা ঐখোয়বু ‘য়েস-বোস’ গী কলচরদু থাগোন্ননা লৈফম থোকপরা?

মৈ মথক্তা চহী অমা থল্লক্লবা খাং অমদা ঙৌরিবা লেপ্লে অমগুম্বনি ঐ, থম্মোয়গী পোত্থাফম লৈত্রবা! হায়গদবনা করিনো? হায়হৈদবনা করম্বা? খন্দোকফম খঙদ্রে ঐ। খোঙনেৎফম লৈত্র’ খাংসিদই চোংথরসু মৈথক্তা তাদৌ লৈরবনি। মৈথক্তা ঙৌরিবা ঐহাক্কী থম্মোয়দা মৈ চূরিবা ৱাহৈ অমনি - ‘বফর জোন’! ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইরিবা ‘ৱাহৈ-পূংবা’!

‘বফর’! দিক্সন্যারি য়েংবা হৈরবা নহা/অহল কনানা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক খঙদবা লৈরমগদগে? অকনবা পোৎশক অনী থেঙ্গায়নবদা থোক্কদবা মখোল নৎত্রগা অকনবা ইমপেক্ট অদু হন্থহন্নবগীদমক হাপ্পা/শেম্বা পোৎশক অদুবু কৌই ‘বফর’। মোটোর-কার-ইঞ্জিন শেম্বা মেকানিকশিংনদি কৌনৈ ‘সোক-এবজের্বর’! অরুম্বা পোৎশক অমনা অতোপ্পা পোৎশক অমদা নম্থরকপদা থোকপা মখোলদু থোক্তনবা নৎত্রগা শাফু (প্রেসর) অদু হন্থহন্নবা। প্রমান-পাম্থে, ৱাহৈগী রিফরেন্স পীদুনা অমুক কোইথোক্লরোই। ‘বফর-জোন’ - পোলিটিকল টর্মিনোলোজি অমনি। তোঙান তোঙানবা লম অনীবু তোখায় তোখায়বা লম অমমম ওইনা লৌনবা, অমনা অমদা হেনজিন্নবা য়াদনবা অমনসু অমনসু চঙবা য়াদবা লম মচেৎ (শরুক) অদুবু কৌই ‘বফর জোন’। খৎনরিবা/হাৎনরিবা মীওই কাঙলূপ অনীগী মরক্তা মিলিটরিশিংনা খৎনবা খাম্নবা শেম্বা/শেমগৎপা দি-মিলিটরাইজ জোন অমা ওইনসু খঙনৈ। উংখৎনরিবা লৈবাক অনী (খুদম ওইনা ইন্দিয়া-চাইনা, ইন্দিয়া-পাকিস্তান) গুম্বগী মরক্তা অমসু অমসু হেনজিন্নদনবা য়ানবা অমগী মখাদা শেম্বা লম (এরিয়া) অদুনি। কুকিনা মীতৈদা লান্দারকপা থিংনবা থাজিল্লকপা ইন্দিয়ন পেরা মিলিটরি ফোর্স ওইরবোই নীংলুরগা লমহৈনবশিংদা নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপ্তুনা, ‘বফর জোন’ শেমগৎলকখি, কুকিগী লম-মীতৈগী লম খাইদোকপা লাকপা ওইরমখি। ‘বফর জোন’ নি হায়বগা মীতৈনা চঙবা য়াদবা, খূৎলায় পায়বা কুকিনদি মনীং তম্না চঙবা য়াবা থৌওংসিনা ময়েক শেংনা তাকই- ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী পুকচেল শেংদবা, ইভিল দিজাইন অমদি লৈরে- বফর জোন ক্রিয়েসনগী মরুমদা। ●

-ইন্দ্রকুমার

শাথৌলূপকী চহী ২০ ফারকপগী ‘খোরিরোল খোঙচৎ’ কছার অমসুং ত্রিপুরা (৪)

নুংশিরবা কছার লমদমদো থাদোক্লনি খল্লুবদা অহিংদু নীংথিজনা তূম্বা য়াদে। ঐখোয়গী তূম্ফমগী মপান্দনা তোমথিননা ঐখোয়বু ঙাক শেনবীরি। মাগী মতুং ইনবা খোঙলোই কয়াগা কোইচেন কোইচেন চেন্দুনা চাউরবা বরাক ম্যুজিয়মগী হিঙ্গোলদু পুমথুং থুংই। করিবু তান্নরিবনো খঙদে, ঐখোয়না লৈরিবদুগা শম্নমা উমং অমা লৈ। মরক মরক্তা লমহুইগুম্বা শা-ঙাসু থোরকপগা য়াওবজাৎনি। চাউরবা হিঙ্গোলদু মৈ মুত্তে, অহিং চূপ্পা মৈ ঙান্না থাল্লি। মথৌ মশক খঙনা থবক তৌরিবা তোমথিননা খোংবগী হৌরবা মখোলনা তূম্বা হৌদোকপীরকপগা মান্নরে। তোমথিন অতৈ কনাসু নত্তে ওজা রাজমনিনা নুংশিনা লোয়জবা তাওবা হূইনি। জর্মন শেফর্দনি, য়াম্না শীংই। ঐখোয়না অয়ূক ৱাকিং চৎপদা মহাক্লা ঐখোয়বু লমজিংবী। হৌনরুবা তৌদনা মানা খঙই, মীতোপ খরা মখোয়দা থুংলরে পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল অসিগী।

সিলচরগী ত্রেন ষ্টেসনসি অয়ূক পুং ৭কী মমাঙদা চঙহৌগদবনি হায়দুদা ঐনা ইহান হাল্লি মল্লিঙৈদা হৌগৎপা। মনুং অচৌবা চঙলুরে, চিন-য়া শেংদোক্লে, চাইথরুরে হোরেন ফাংজিন্নদনবা হায়দুনা। ময়ামসু মথং মথং লোইশিন্নরে। ওজা সরতচান্দনা affresh (herbal juice) মহী গ্লাস অমমম শৎ-শৎ য়েল্লকই। পোৎ চৈ লোইশিল্লে, ফিরোল শেৎলিঙৈদা গাড়ী লাক্লে হায়রকই। তশেংনা ওইনাম সঞ্জিবনা লৌরিবা থৌদাং কাউবা ঙল্লোই। ঐখোয়বু হেক থুংবা নুমিৎতগী, নুংশিরবা কছার লমদম থাদোক্লমদাই মীকুপ অসিফাও ঐখোয়বু মহাক্কী গাড়ীদা পুবীদুনা অচৌবা থৌদাং লৌবীখি। য়েংবা য়াবা মফম কয়া মহাক্লা পুবিখি। গাড়ীগী অৱাবা লৈহনখিদে। মফমসি থাদোক্লমদাই অয়ূক পুং ৫.৫০ মুক তারে। ঐখোয় গ্রুপ ফোটো অমা নমিন্নে। ঐখোয় টাটা ভেন গাড়ী মরিদা তোংনরে। তশেংনা মফমদু নুমিৎ হুমনিদি ইয়ূম্মকনি খল্লুরে। তশেংনা অসাম লমদমনি হায়বা কাউরুরে। খোঙ কান্দুনা চৎপসু ঙমদ্রে, মফমদু থাদোক্কনি খল্লুবদা। ঐখোয়গী মতৌদু উরগা তোমথিনসু ঐখোয়গী ইনাক্তা চঙশনবসু ঙমদনা তরাও তরাওবা মমিৎতুনা মুন্না য়েংলগা মপি ঈরা চেনবসু মাল্লি। মাসু মুন্না য়েংদুনা লৈহৌখি। মানা মীওইবা ওইরম্লবা শোয়দনা মখূৎ হাইরক্কনি। ওজা রাজমনি অমসুং মাগী ইমুং মনুং পূন্না থোরক্তুনা নুংশিনা খূৎ হাইরা হাইরদুনা লৈহৌখি। কয়াদি নুংশিরে, অসি ওইরেকো নুংশি মরী চেৎশিনহনবা হায়বদো। তশেংনা খোরিরোল খোঙচৎ অসিগী পান্দম ফংলবনি, থম্মোয়দা ফাওরিবা নুংশিনবগী ইহুল অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি।

খাশপুরদা লৈবা কছার কোনুং (ওই) তোমথিননা ঐখোয়বু উরগা মথ্বায় নুংঙাইতবা

বনতরাপুরদগী সিলচর ত্রেন ষ্টেসনসি কিলোমিটর ৫৫ লাপ্পী অদুবু মফমদুগী ফজবা চীং, পাৎ, তুরেল, লম্ম্বাঙ-তুহাঙ ময়ামদু য়েংল-য়েংলগা লাকপদা খঙহৌদে ঐখোয়না লাকপগী লম্বীদা খুঙ্গং মচা মচা য়াম্না থেংনৈ। হায়ৱেগী সড়ক্কী মতাইদুদা মনা-মশিং, এঙ্গাং-নাপি, হৈ-রা, লফোই লৌউ-লৌউ মাগী মাগী ফার্মদগী পুথোরক্লরগা পৈ পৈদুনা য়োনবা উরকই। মখোয়শিংদো মুসলিম ইচিল ইনাওনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। মফমদুদগী লল্লোনবা, লল্লোনবীশিংনা পুল্লপ লৈবা লাক্লবা মাল্লি।

ঐনা গাড়ী মনুংদগী ওন্থোক্লা নুংশিরবা কছার লমদমগী পুৱারী অমা খঙনীং নীংশিংলকখি, বনতরাপুরদা লৈরিঙৈদদি নীংশিংলক্তে। ৱারীদি অসিনি, ৱারেং অসি ইজরিবা ঐ নিংথেমচা ওইনা কর্টা শাগৈদা পোকপনি। কর্টা (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র) মহারাজগী অনীশুবা মচা ইবুংঙো মোধুচন্দ্র মহারাজগী শুথাংনি। মোধুচন্দ্র মহারাজদগী ঐনা ৬শুবা শুথাংনি। তশেংনা কছার লৈবাক্তা পাল্লম্বা নিংথৌ মহারাজ শ্রী কৃষ্ণচন্দ্রগা মণিপুরগী মহারাজ মোধুচন্দ্রগী মচানুপী ইন্দুপ্রভাগা কুমজা ১৮০২দা য়ুম্বানমিন্নদুনা লৈবাক সাসন চলাইবদা মহারানি ইন্দুপ্রভাগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবগী ৱারী কয়া লৈ। মহারানিনা কছারিশিংগী শা বলি তৌরগা লাইদা কৎপগী চৎনবীদু মূথৎখি। মণিপুরগী জগোয় রাস কছার লমদমদা মণিপুরগী ওজাশিংনা তম্বীদুনা হৌদোকখি। চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা গম্ভির সিংহনা মণিপুর লেভি শেমদুনা অৱা তান্থোক্লবা হোৎনবদা মহারানি ইন্দুপ্রভাগী থৌদাং চাউনা য়াওখি। বৃটিশনা নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রবু হাৎখ্রবা মতুংদা মনাওনুপা গোবিনচন্দ্রগা অমুক নৌনা লুহোংদুনা য়ুম্বানমীন্নখি। অসিগুম্বা মখলগী মতৈমবু লৌবা অসি মতমদুদা অহোম অমসুং কছারগী চৎনবীনি।

মহারানি ইন্দুপ্রভা ফজবা, চঙখোনবদা কছারগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা য়াওরি। কছার বেঙ্গলিগী সাহিত্যদা ইন্দুপ্রভাগী ফজবসি অসুম্না শৈথাই ‘মহারানি ইন্দুপ্রভানা অয়ূক য়াহৌরকপদা কোনুংগী মাঙ্গোলদা মমাঙ পাংনা কোরৌহনবা নুমিৎপু খুরুমজনবা থোরকপদা অয়ূক অঙনবগী কোরৌ নুমিৎনা ইন্দুপ্রভাগী মায়থোঙদা য়ৈবদা থকতোরকপা মঙাল অদু সনাদা নুমিৎনা য়ৈবদা থকতোরকপগা পাঙ্খক্লি’। ●

-আর কে বুধিমন্ত কর্টা

ইম্ফাল আর্ট গেল্লরিদা ‘অনোই আর্ট এগজিবিসন’ ২০২৪

মণিপুর কৌবা ষ্টেট অমা ইন্দিয়াদা লৈরি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না শকখঙনরিবা তোপ তোপ্পা লমদম অসিগী মশক অমা হায়রগদি আর্ট অমসুং কলচরনি। আর্ট হায়বসিদা পর্ফোর্মিং আর্ট অমসুং ভিজুএল আর্টনা ফনা নীংথিজনা শক্তাক্লদুনা ঙসিসু লাক্লি। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা ভিজুএল আর্টস দিপার্টমেন্টতা লমদম অসিগী হৌখিবা, লমদম অসিগী ঈশিং নুংশিৎতা চাউখিবা মণিপুরীশিংনা ওজা ওইদুনা হৌরক্লিবা আর্টতা থৱায় লুপচবা কয়াবু লমজিং লমতাক্লি। লাই য়েকপা শাবগী লম্‌দা মপাল লমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশীন তম্লুরবা লমদম অসিগী ভিজুএল আর্টিষ্টশিংনা পোক্লফম লমদম অসিদা অমুক লাক্তুনা ইমা লৈবাক অসিদসু মখোয় মখোয়না ঙমজবা মওংদা শেম শারি, হোৎনরি। করিগুম্বা খুদোল খরদি তম্লিংলি। হৌরক্লিবা মীরোলদা মখোয়না অসি ফাওবদি লমদম অসিগীদমক হোৎনরম্লে হায়বদু তাক্লিংলি। অসুম্না মীৎয়েং শান্না য়েংদুনা তুংগী পোমীৎ খঙনা শেমগৎলকখি দ্রিম প্রোজেক্ট ওইনা ৱাহেংবম রোবিননা ইম্ফাল আর্ট গেল্লরি। ঙসিদি মঙফাওনবা হৌরে। মায় পাক্লে কুইনা মঙলকপা মঙলান অদু মীৎনা উবা ফংলে। পূক্নিং থম্মোয়না অমত্তা ওইনা নীংলবদি অমসুং অখাঙ কনবা হোৎনববু লেপত্রবদি নোংমদি শোয়দনা মঙফাওনৈ হায়বদু অচুম্বা ওইররি। মসিদনি মালেম শিনবা থুংনা ফাওরবা অইবা Paulo Coelho না মহাক্কী মমিং য়াম্না চৎলবা নোভেল The Alchemist তা হায়রক্লিবা “When you want something with all your heart, that’s when you are closest to the Soul of the World. It’s always a positive force.” নীংবা কনবনা লমদম অসিগী শীংথানরবা ভিজুএল আর্টিষ্ট রোবিন ৱাহেংবমনা খুদোল তম্লকখি ইম্ফাল আর্ট গেল্লরি মণিপুরগীদমক। মসিনা লেঙদ্রবা খুদম্মি মদুদি তাইবঙ মীওই মপোক্তা পোক্লক্লবা কনাগুম্বনা পূক্নিং অনী লোংদনা তৌগে হায়না খনবা থবক্তো পাঙথোক্লবা হোৎনবদা তাইবঙপালসিদা লৈরিবা খুদিংনা ফংহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বসি। Paulo Coelho নসু হায়, “When you want something, all the universe conspires in helping you achieve it.” হায়রিবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লরি অসি কুমসি চহীগী ফেব্রুৱারী ১৮-দা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়না হৌনবী মতুংইন্না ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়দা লাই য়েকপা শাবা কলাবু পামজবা মীওই কয়াগী মমাঙদা মায়খুম হাংদোকখিবনি। গেল্লরি অসিমক রোবিনগী অপোকপা ৱাহেংবম ইবোহলদা কৎথোক্লি। মসিমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি।

আর্ট হায়বসি লোইবা খন্বা নাইদনা চেন্থরিবা ঈচেল অমনি। হৌখ্রবা মতম্বু উনীংবা মতমদা আর্টতা চঙদুনা য়েংবদা পুম্নমক উবা ফংগনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিং আর্টপু য়াম্না পামজৈ, ঙাওজৈ। অদুনা মখোয়না য়েকপা লাই, মখোয়না শাবা লাই মীনা পাম্নে। কলচরদা ইনাক খুল্লি হায়বসি থবক্তা অদুম্মক উবা ফংই। হোৎনবা লেপ্তে ঐখোয়গী নহারোলশিং। তাবুনুংদা করি লৈরিবা, ইপা ইপুনা করি থনম্মি ঐখোয়গীদমক হায়না থিরুবদা হেক্তা লৈরম্মী করিগুম্বা খরা হেক্তা। অদুনা অনোই হায়বসিসু থোক্লকই নহা ওইরিবা আর্টিষ্টি নোংপোকহেনবনা থিরুবদা। মখোয় খরা পূনশিল্লগা এগজিবিসন তৌবগী ৱাখল্লোন পুথোক্লখি। অনৌবা খরা থবক ওইনা তৌনীংখি। অদুনা থোক্লকপনি ‘অনোই’। ফজবা, অচুম্বা, অশেংবদুদি শীজিন্নবদা পুম্নমক য়ানীংই। ‘অনোই’ হায়বা ৱাহৈ অসিমক মণিপুরী কলচরদা থায়নদগী শীজিন্নদুনা লাক্লবা জগোয়গা মরী লৈনবা অথোৎপা, অমেংবা, থেক নৌবা মফোঙদোক্কসু য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরিবা ৱাহৈনি। ৱাহৈ অসিমক লাই য়েকপগী কলাদা পুশিল্লত্তুনা হেন্না ৱাহন্থোক লৈহল্লি হায়না খল্লি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঈহৌরকখিবা মীতৈ-কুকিগী কাঙলূপ অনীগী ঈরাংদা অমসুং চথরিবা লোইশিনবা নাইদ্রবা লান অসিদা মণিপুরদা হিংলিবা মীপূম খুদিং পূক্নিং লৈতানা লৈবা ঙম্নদনা লাক্লি। ঙসি ঙসিমকসু মীপায়বা, পূক্নিং লাংতক্লবা, তৌফম খঙদবা ফীভমদনি লৈনরিবসি। অসিগুম্বা চরাংনবা পূন্সি মহিং অসিদা লৈরগসু ভিজুএল আর্টিষ্টশিংনা য়ূমদা তূমিন্না লৈশিনবা ঙমদে। মখোয়গী থম্মোয়দা মণিপুর ইমাবু নুংশিবগী ঈহুল ফাওরি। ইমা লৈবাক অসিগীদমক করিগুম্বা খরদি পাঙথোকচনীংই। পাউজেল কয়াসু চেন্নীংই মালেমগী মীয়ামদা। শান্তি হায়বদু মখোয়না ইখৌ লাংজরিবনি মীকূপ খুদিং। অদুনা চোঙথোক্লকই থৌনা অমগা লোয়নননা খূৎতা ব্রশ অমসুং মচু কয়া পায়দুনা। কেনভাস মমাঙদা লেপ্লগা মীৎতা উরকপা, নাকোংনা তারকপা কয়া মচুনা ৱাহৈ ওইনা ইরকখি শৈরেংগুম্না থোৎনা মেংলবা অদুগা পামদবা থৌদোকশিং, মণিপুরগী পোলিটিকেলগী শক্তম ময়েক শেংনা মখোয়গী কেনভাসতা অমমমতা ওইনা।



হৌনবী মতুংইন্না ‘অনোই আর্ট এগজিবিসন ২০২৪’ লমদম অসিগী শক্লাইরবা ওজা শ্রী য়েন্দ্রেম্বম ইবোচাওবনা এপ্রিল ৭কী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ইম্ফাল আর্ট গেল্লরিদা হাংদোকখি অমসুং এপ্রিল ৭-১৪, ২০২৪ ফাওবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লরিদা আর্ট ৱার্কশিং উৎখি। চয়োল অমা শিনখিবা এগজিবিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা পূন্না আর্ট ৱার্ক ৪৬ উৎখি। আর্ট লভরশিং, অয়েকপা কলাবু পূক্নিং থৌগৎপা, নহা ভিজুএল আর্টিষ্টশিংবু শৌগৎপা, মখোঙ শোল্লিবা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিং অমসুং পাউ তাদুনা য়েংবা লাকপা মীয়াম্না পূক্নিং য়াম্না থৌগৎনখি। য়াম্না পাম্না য়েংনবা মখলগী এগজিবিসন হায়বদুসু ওইখি।

অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্লিবা অনোই আর্ট এগজিবিসন অসিদা শরুক য়ারিবা মমিং লৈরবা নহা ওইরিবা লমদম অসিগী তুংগী আশা কয়া লৈরিবা ভিজুএল আর্টিষ্টশিং অদুদি - বিশান্তম য়ুম্নাম, নোংপোকহেনবা সাইখোম, খোমদ্রাম বোনি, পুর্ণিমা ঙাঙোম, রাহুল দেব সেরাম, মিলন লাইশ্রম, জাইকো খুমন্থেম, দিপু সাইখোম অমসুং রাহুল লাইশ্রমনি।

বিশান্তম য়ুম্নামগী পেন অমসুং ইঙ্কনা য়েকপা লাইশিং য়াম্না কূপ্না য়েকই। থায়নগী য়ূম, মণিপুরগী চীং, পাৎ, তুরেলশিং, উমংশিং মহাক্কী সবজেক্ট ওইনা পুথোকই। করিগুম্বদা মঙ-হাগুম্বা শক্তমদসু হেক হেক খূৎ থাই। হন্দক্কী অনোই আর্ট এগজিবিসনদসু য়ূম অমনি মহাক্লা য়েক্লিবসি অদুগা উপাল অমনা য়েত্তা হৌরি। শম্বলদি খাদে। মহৌশাগা নক্লবা মতৌশিং ফোঙদোকপা থেংনৈ।

নোংপোকহেনবা সাইখোমগী ‘নোষ্টালজিক মেমোরিস’ অসিমক চহী মীয়াই চল্লকপা মতমদা অদুগা পূন্সিগী মীকুপশিংদা হেক হেক ইতৎ তত্তনা ফাওরকপা নুংশিরবা অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদু চিংশিন্দুনা কেনভাসতা অঙৈংবা মচুনা, শংবান্নবা য়ূমগী ইঙ্খোলনা ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। অতিয়াগী লৈচিলনা লশিং মফোলগুম্না অমুক শকলোন হোংল-হোংলদুনা কেকু লোৎপী শান্নবগুম্বা মতৌশিং উৎলি। কন্টেম্পরি আর্টকী খূৎথাদা হৈ শিংলবা ব্রশকী ষ্ট্রোকনা ফজরবা পেটর্নশিংসু ফোঙদোকপা থেংনৈ।

খোমদ্রাম বোনিনা মোনোপ্রিন্টতা পুথোক্লক্লিবা ‘সনসেট’ অসিদা উরিবা অসি অতিয়ানা কিন্থরকপদা নুমিৎনা ঈ মচু ওন্দুনা তারকপগুম্বা মানবা অমা উহল্লি অয়েংবশিংদা। নুমিৎ তাবা অসিমক সিম্বোলনি। মতম লোইরে হায়বগুম্বনি। থবক লোইরে। শিন্থা লোইরে ঙসিগীদি হায়বসু য়াই। অমরোমদা হৌজিক্কী মালেমগী ওইরিবা ন্যুক্লিয়র পৱারগী উংখৎনরিবা চৈরক অসিদসু অমুক পুশিন্দুনা য়েংলবসু মীওইবগী তাইবঙপাল অসি মতম লোইরবজাৎলা হায়না হংনরক্লি। মরমদি মী হায়বসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরিবা চৈথেং অসিদা পুশিন্দুনা য়েংলবসু হৌজিক নুমিৎকী মৈশা অসি অঙকপা ফংনা শাবা হেনগৎলক্লি। মসিসু আর্টিষ্টনা উদুনা মহি চেল্লবা তাইবঙ, খাঙবা ঙমদ্রবা অতিয়া ওইনা পুথোক্লকপা ওইরম্বসু য়াই। নোরৱেজিয়ান আর্টিষ্ট এড্ভার্দ মন্সনা কুমজা ১৮৯৩দা য়েকখিবা দি স্ক্রিম হায়বদু নীংশিংহল্লি।

পুর্নিমা ঙাঙোমগী রুন্দ কটতা পুথোক্লক্লিবা ‘দি লাফ’ য়েংবা য়াম্না নুংঙাইবা মীনম্বা য়াওদ্রবা মীনোক অমা লৈশাবী মপূং ফাজরকপদা ঙাইরিবীশিংনা ঈনাৎকী কুম্মৈ ফিয়োং মতমদা কেজনা থোক্লকপা, মতাশিংগা পুন্দুনা অৱা-নুংঙাই ৱারী শাজদুনা হরাওনা পূক্নিং মকা লাম্না নোকচবা মদুমক্কী শক্তম্নি উবা ফংলিবসি।

রাহুল দেব সেরাম মণিপুরগী হন্দক্কী কাঙলূপ অনীগী লান অসিনা শাথীরবা চৈনা অমদি পীরি চীংলৈবাক অসিদা। নুমিৎনা থানা লৈরিমখৈদি কাউবা ঙমদনা লৈরগনি। খূৎশেমগী মৈরিক অমা মৈচুখিবা মানবা থৌদোক কয়া থোকখি। মদুনা মৈজাও ওল্লকখি। ওইজবতা থিবা পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা মীনম্বতা ঙাঙলগা লৈবাক নুংশিবা শাদুনা মীয়ামদা উৎ চাইদুনা লাক্লি। শান্তি হায়বদু মিৎনা উবা ফংলক্তে। থম্মোয়দা য়ানীংদবগী মৈরিদি নোংমা নোংমগী চাকপা হেল্লক্লি। মসিবু য়াম্না ফজনা মপূং ফানা হিংশাগী মশক অমত্তা উহন্দনা সিম্বোলিক ওইনা কেনভাসতা পুথোক্লক্লি ‘মে ৩’ হায়না মৈখেৎ অমা খূৎনা পায়দুনা।

মিলন লাইশ্রমগী আর্কাইলিকনা কেনভাসতা য়েকপা ‘দি পিসমেকর’ অসিমক ঙসি ঙসিমক্কী মণিপুরনি উরিবসি। চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা চীংলৈবাক্কী ইমা মণিপুর মীকপ মীরাওখোলতনা পীক থল্লে। ফম্নাইবশিংনা চৌক্রি কোল্লি অদুবু চৌক্রিদি তাঙ্গোয় মরক্তা তাদুনা লৈবা থেংনগনি পেন্টিং অসিদা। আইরোনিক ওইনা ফোঙদোকপনি পিসমেকর হায়না। হার্দ রিএলিটি অদুদি মিৎমাংদা উরিবসিনি হায়রি আর্টনা।

জাইকো খুমন্থেমগী এটচিং অমসুং সেরিগ্রাফিদা য়েক্লিবা লাই ‘ফ্রুইটস ওফ য়েষ্টরদে’ য়াম্না ৱাহন্থোক লৈরি। পুম্নমক খুন্নাই অসিদা মরী লোইনা লৈনরি। ঙরাং তৌখিবা থবক অদুনা ঙসি অহিং তূম্নদ্রি মীয়াম। কন্টেম্পরি আর্টনি। খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা মশা পূম্বা হংলাই ওইনা খল্লুবনা মতম চানা তুংগী ৱারেপ লৌবা ঙমহৌদে অদুনা থাখিবা উপাল অদুগী উহৈদি ঙসি অদুম ফংবা তাবনি। নুংশা শ্বর ফাওবা নীং তম্না হোনবা ফংদনা কেমোফ্লেজনা মায় খুমজিল্লিবা শক্তম্নি ফোঙদোক্লিবসি।

দিপু সাইখোমগী স্কল্পচর ফজবা কয়া মমাঙদা পুথোকখ্রবা আর্টিষ্টনি। হন্দক্কী অসিনা উনা শাবা ‘দি হাইদ ৩’ হায়বসিনি। মীওইবগী অরোনবা অফোঙবা শক্লোনশিং উবা ফংই। লৈতাদবা তৌফম খঙদবা মশক খরসু য়াওরি। মসি খুন্নাই অসিনা পীবা শাফুন্দুননি।

রাহুল লাইশ্রমগী আর্কাইলিকনা কেনভাসতা য়েকপা ‘মাইরেন মরী’ অসিমক হিগোক মচু চঙলবা অতিয়াগী বেকগ্রাউন্দদা হঙ্গাম মপালগী নুমিৎ অমা থোক্লগা লৈবা অদুগা নোং মফোল খরা পাইরগা লৈবগী হেক মিৎমাংদা মাইরেল মরী মরৈ-মরৈ তাদুনা য়েৎশিন্নবা উগানি অয়েংবশিংনা। হংনীংগনি করিগীনো মাইরেল মরী অসিনা অশংবা ওইদদুনা অঙাংবা ওইহল্লিবসিনা হায়না। অঙাংবা মচুনা শিল্লক্লিবসি অনাবা লৈরবা চানা থক্লবা মনা মশিংদা খূৎশেমগী হার হাপ্লবা টোক্সিক ওইরবা ইনভাইরনমেন্ট অদু ফোঙদোকপনি হায়না লৌবা য়াই।

অনোই আর্ট এগজিবিসন অসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা পাউদি আর্টিষ্টশিংনা থৱায় য়াওনা য়েকচবা পেন্টিংশিং আর্ট ৱার্কশিং অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা অমসুং আর্টপু হেন্না থাক ৱাংনা পুখৎনীংবা আর্ট কলেক্টরশিং থোক্লক্তুনা আর্ট ৱার্কশিং লৈখিবা অসিনি। পূন্না আর্ট ৱার্ক ১১ সেল তৌখি। মসিনা আর্টিষ্টশিংদা চাউনা ইনোৎ অমদি হাপ্লগনি। মণিপুরদা লেপ্তুনা আর্ট এগজিবিসন কয়া পাঙথোক্লকপসু ওইসনু। মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপদা ভিজুএল আর্টশিংনসু হেন্না থৌদাং লৌরক্কনি থাজৈ। ●

- তোংব্রম অমরজিৎ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।